## এডিটোরিয়েল

# চুরাচান্দপুরদা মৈ চাকপা

*জোমী রিয়ুনিফিকেসন ওর্গনাইজেসন (জেদ আর ও) অমদি মসিগী আর্ম ৱিং ওইরিবা জোমি রিভোলুসনরি আর্মি (জেদ আর এ) গী প্রসিদেন্ট থাংলিয়ানপাও গুইতে গী ন্যু লমকাদা লৈবা য়ুম অমদি মশাগী গারিশিং মণিপুর এসেমব্লিনা আগষ্ট ৩১ দা পাস তৌখ্রবা বিল অহুমবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লিবা চুরাচান্দপুরগী নুপী খোঙজংলোইশিংনা হৌরকখিবা ঈহৌ অমদা মৈ থাদোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবসি হেক্তা লায়না লৌবা য়াবা ৱাফম ওইরক্ত্রে। শকউদবা ফোর্স অমগী অকন্বা ইন্সত্রক্সন অমগী মথৌ হৌজিকমকসু য়াম্না শাফু কন্না চথরি হায়বা য়াই। মণিপুর গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি মিনিষ্টরশিংনা অশুক থম্মোয় শেংনা বিল অহুমগী মতাংদা অশেংবা অচুম্বশিং মরিক চুম্না হন্না হন্না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা অশোয়বা -অরান্বা য়াওরম্লগসু চুমথোকমিন্নসি হায়না হন্ন-হন্না ফোংদোকখ্রবনি। মসিদা করিগুম্বা রেস্পোন্স অমত্তা পীদনা অমসুং বিলশিং অদুগী কন্টেন্টশিং অদু শুকপা পাদনা হেক্তমক কনানো অমনা ইনশিল্লগা য়ানিংদে হায়না অকন্বা ঈহৌ চঙশিন্বা হায়বা অসি লাল্লি। মসিগী মথক্তা অদুগুম্বা ঈহৌ নত্রগা খোঙজং চঙশিল্লকপা মতমদা হান্না অদুগুম্বা ঈহৌ অমা লাকপা য়াই হায়বগী ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমত্তা পীরকখিদবা অদুসু য়াম্না মুন্না সরকার অসিনা হকচিন্না লৌরগা নৈনফম থোকপনি। হায়বদি সরকারগী মাইকৈদগী ইনভাইট তৌরিবা অদুগী পাউখুম পীদনা ঐখোয়দি ইরাং তৌখিনি হায়বগী অদু-অদা খঙদবা ঈহৌ অমা লেপ্তা চঙশিন্বা হায়বসি আইনগী থোঙদদি খ্বাইদগী লান্বনি। অদুনা য়ামদ্রবদা সরকারগী ওইনা আইন কায়না চঙশিল্লকপা খোঙজং অদু শোইদনা থিংনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। ইরাং হৌরিবা কাংবু অমদি মখোয়বু ইনশিল্লিবা নারোলদা লৈবা ফোর্সশিং অদু খঙবা ঙম্লগদি ঈহৌসি লাকশিন্বা ঙমগনি হায়বসি সরকার অসিনসু খঙলমগনি। মসিফাওবা খঙদ্রগদি সরকার অসি লৌতুনবা অমসুং মথৌ তৌদবা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা সরকারনি হায়না লৌবা তাবনি।*

*হন্দক চুরাচান্দপুরগী ঈরাংদা মরাল লৈতবা মীওই ৯ গী অশিবা হকচাংশিংনা মোর্গতা য়াতারিবসি মখোয়না পান্না চঙশিনখিবা ঈহৌদা শিখিবা ওইরগদি নহালনা লৈরোল চল্লন্বা য়াই। ঈশ্বরগী মচা ওইবশিংনা মীওইবা ওইবা পোক্লবা মতুং মশা-মশাগী মীওই কাংলুপ ওইরিবা ফুরুপশিংবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুগুম্বা ইথিল অদুগী লিচিং মখাদা থৱায় থাবা পাম্মুদবা হায়বসিসু কাংলুপ্তুগী মীওই অমা ওইবগী মশাদা য়াওজবা ইনোৎতুনা পীখিবা থৌনা অমনি। মসিগীদমক মণিপুরদা লৈবা মীয়াম পুম্বনা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা খোঙজংদা মত মান্নবা নত্রগা মান্নদবা থিদনা থৱায়না পোম্বা পীখিবনি হায়বগীদমক মখোয় পুম্নমক্কী মফমদা পাউজেল পীদুনা মখোয়গী থৱায় মপুগী লৈকোলদা ইংনা -চিক্না পোৎথাবদি ফংহন্নিংই। লৈবাক্কীদমক নত্রগা মখোয়গী ফুরুপকীদমক থৱায়না পোম্বা পীবা ঙম্বা হায়বসি খ্বাইদগী চাওবা ধর্ম্ম অমনি। মসিগী মতাংদা মীওইশিং কাংলুপশিংগী ইকায়খুম্নবা উৎলগসু হেন্না লুবা খোঙজং অমা ওইহল্লিবসি য়েলহৌমী কনানো অমসুং বিল অহুম অদুনা য়েলহৌমী পুম্নমক কন্নবা হোৎনরিবরা হায়বদু খঙবা ঙমদনা বিলদা তাইশিল্লগা তোঙান্বা চীং অমসুং তমগী য়ুনিয়ন টেরোটোরি অনি থোক্লা লৈবনা অচুম্বা পাউখুম ওইগনি হায়বসিনি। অদুমক্তি চীংগী টেরোটোরি অমা পীবদা অমুকসু লালহৌ অমদি হাৎনা শুনবগী তোঙানবা ঈহৌ অমা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়বসিসু খঙফম থোকই। মীওই খুদিংমক লান্দবা ঙমদে অদুবু মশাগী মরাল লৈরবা মীওইশিংবুসু ঈশ্বরনা ঙাকপীবা হায়বসিদি মথৌ তাবনি অমদি ঙাকপীরিবনি। চুরাচান্দপুরদা মৈ চাক্লকপদা তমদসু খাম্বী মৈরাইরকপা তারগদি য়েলহৌমীশিং মুংখিবা য়াই। মদু খঙনা মৈবু শিজিন্নবগী মথৌসু তারি।*

## *এডিটরদা থারকপা চিঠি*

# উখোকপদি কিনরে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর হায়বসিদা লৈরিবা মী মখলসি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। মীওই লাখ ২৭ রোমগী লৈফম ওইরিবা ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লি। মীহৌবা শূনিংদবা য়েখায়বা থিনগাইবা পান্বা কয়াসু য়াম্না লৈবা মফম অমা ওইরিবনি। শুনিংদবা লৈবগী মতিক দিভলপমেন্ট পান্বা মীওই কয়া অমসু লৈরি হায়বসিদা নুংঙাইনিংঙাইনি। ইন্ত্রপ্রেন্যুর কয়া হৌখিবা চহি খরাসিদা থোক্লক্লি। হোস্পিটাল অমদি হোটেল খক্তদা নত্তনা মাইক্রো ফাইনান্স অমদি ফুট পেকেজ ইন্দষ্ট্রি কয়া অমা উনরক্লিবসি মখোয়গী শুনিংবা কলচরদুগী মমিনি।

লুপা লাখতগীনা ক্রোর কয়াগী ব্যুজিনেস থাগী ওইনা তৌবা মীওই কয়া লৈরে। নিয়োমসু চুম্না তৌরিবা ব্যুজিনেস ইন্ত্রপ্রেন্যুরশিং অদুগী মায় পাকপগী ৱারি মীয়ামদা খংহনবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়বসি খন্নবা ফগনি।

ৱাহংসিগী পাউখুম পীয়ু হায়রবদি 'চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেট' নত্রগা নোংমৈ মরু হায়বা ৱাহৈসি তুং ইন্নরকই। শেলদি পায়নিংবা নিয়োম চুম্না থবক্তী তৌনিংদবা কাঙবুদুবু তাহন্নীংদবগীনি মায় পাকপগী ৱারিশিংসি লোৎশিল্লিবসি। অপিকপা শেনফমদগী হৌদোকখিবা করবারনা লুপা লাখকী মপু ওইরকপা তমজনিংঙাই ওইরবা ৱারিশিংদু য়েক্লবগী মফমদা পাউখুম লোৎশিন্দুনা থম্নরি। অদুননি লৈবাক নিংলিনি হায়বা নোংমৈ বোম পায়বা মখোয়বু উবদা তিলাইখুম্বি চুরিবসি। অকিবা হায়বা ৱাহৈসিনা তশেংনমক ৱাহৈ অমা ওইদুনা ঙসিসু লৈরি। কিরিবা মখৈ হুরান লিচৎ চৎপা নম্ফু হাফু পান্বা নোংমৈ পায়বা মখোয়গী লিচৎ কান্বা হেল্লকখিনি। ঙসিদি বোম নোংমৈ মরু থম্বগী চৎনবী অমা লৈরে। হয়েংদি চাওখৎত্তবা লৈবাকশিংদা তৌবগুম মী ফাবা, গন পোইন্তা রেপ তৌবগী থৌওং চত্থরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। পাল্লিবা সরকার অমদি আইন ঙাক্কনি হায়না মমিংত্গী লৈবগা পাঙখক ওইরবা পুলিসশিংদা থাজনিংঙাই ওইদে। পুলিসসু থাজবা থমদে, সরকারসু থাজদে অদুনা মীয়াম্না ৱারকপা তাবনি। নোংমদি শোয়দনা য়োৎখোক লাল তৌগনি হায়বদু কুইদ্রবনি নখোয়বু কোইতান তান্নরক্কদব। অদুনা লৈবাক নিংগে হায়রগনা লৈবাক মীয়ামগা অফবা মরি থম্নবা হোৎনবিয়ু। সরকারসু মীয়ামগী সেবা তৌগে হায়না থোক্লকপনি, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবিয়ু। মীচমদি অপঙবনি খল্লবদি অপঙবগা লোয়নদোই শরুক অশিংবগা য়েক্লবা ওইয়ু হায়বা ৱাফমদু খঙনা সরকারসু খুৎলাই পায়বা লালহৌশিংসু অম্মুক্তা মুন্না খন্নবিয়ু। মীয়াম ৱারে হায়বসি করম্না তাক্কদবনো।

*অদোমগী*
*রোমেন লুৱাং*
থৌদা ভাবোক লৈকাই

# লম্বীগী খুদোংথিবা কোকহন্বদা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট

মালেমগী মফম পুম্নমক্তা মতমগী মতুংইন্না মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং অতৈ মরম কয়ানা লম্বীদা মী চিল্লকপা (ট্রাফিক জাম), কার্বেবান দাই ওক্সাইদনা নুংশিৎ শেংহল্লক্তবা অমসুং লম্বীগী খুদোথিবনা মীগী পুন্সি তেমশিংনরকপগী থৌদোকশিং থোকপা হেনগৎলকই। ইন্দিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী লম্বীগী খুদোংথিবা (রোড ক্রাস) চাংচৎতা অমদা ১২২৪ থোকই হায়না নেসনেল ডেটা-২০১৩ না হায়রি। ডেটা অসিগী মতুংইন্না, ইন্দিয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবনা চাংচৎ অমদা মিনিট ৪ খুদিংগী থোকহন্দুনা মী শিহল্লি। পুং খুদিংগী লম্বীগী খুদোংথিবনা মী ১৬ শিরি। মসিদগী পুং ২৪ গী মনুংদা হায়রিবা নুমিৎ খুদিংগী লম্বীগী খুদোথিবনা চাংচৎতা মী ৩৭৭ শিহল্লি। চাংচৎ অসি জম্বো জেট অমমমগনা নুমিৎ খুদিংগী কায়বা পাংখক ওইরি। লম্বীগী খুদোংথিবনা অশোক-অপন থোকহল্লিবা মীগী মশিং অসি চাংচৎতা অমদা ১২৮৭ ওইরি। মণিপুরদা নুমিৎ নিনি খুদিংগী মী অমমম শিরি। চহিদা চাংচত্তা মী ১৬০ শিরি।

অসুম্না লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্লিবা অপুন্বা থৌদোকশিংগী মনুংদা চাদ ২৫ দি চাকা অনি পান্বা গারীশিং ওইরি। অদুগা খুদোংথিবা নংলিবা মীওইশিং অসিগী অয়াম্বনা চহি ৩০-৪৪ গী মীওইশিংনা ওইরি। অদুগা শিরিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা চহি ১৪ গী মখাদা লৈরিবা অঙাং য়ামদ্রবদা ২০ দি অশিবগী খয়াত্তা তারি। লোয়ননা পুংশিং খুদিংগী য়ামদ্রবদা নুপী অনিনা লম্বীগী খুদোংথিবদা শিরি।

মসিগী লীক্লম পরিং অমা য়েংখৎলবদি, হৌখিবা থোকখিবা ১০ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবদা মী শিবগী মশিং লাক্ষ ১২.০২ ওইখি। লম্বীগী খুদোংথিবদা শাথিনা অশোক-অপন নংখিবা নত্রগা, নাম শোয়হনখিবা মীগী মশিংনা হৌখিবা চহি ১০ গী মনুংদা লাক্ষ ৫৫ য়ৌখি। রিপোর্ট তৌরক্তবা লম্বীগী খুদোংথিবগী মশিং অসি ইন্দিয়াদা য়াম্না ৱাংলি। অদুগা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপদা লায়েংলবদি শিরোইদবা অশোকপা মীগী মশিং অসি চাংচৎ অমদা চাদ ৫০ ওইখি। মসিদা য়াম্না য়েংখৎফম ওইরিবদি, মালেমগী ম নুংদা গারী মচা লৈবদা ইন্দিয়ানা চাদ অমখক (১) ওইরবসু, লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপদি মালেমগী চাদ ১০ ইন্দিয়ানা ওইরি। মসিদগী ইন্দিয়াগী জি দি পি অসি লম্বীগী খুদোংথিবনা মরম ওইদুনা চহি খুদিংগী চাংচৎ অমদা চাদ অহুম (৩) মাঙলি, হন্থরি হায়না পানরি।

### হাওবা

ইন্দিয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবনা কা-হেন্না শোকহল্লিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা উত্তর, তামিল নাদু, দিল্লি, চেন্নাইনচিংবদা মীপাইনিঙাই ওইনা থোক্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেশনা লম্বীগী খুদোংথিবদা মীশি মীনা থোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। ষ্টেট অসিদা পুংশিং খুদিংগী লম্বীগী খুদোংথিবনা চাংচৎ অমদা মী ২ /২ হাৎলি। তামিল নাদুদা লম্বীগী খুদোংথিবনা অশোক-অপন থোকহন্বগী চাং ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংলি। সহরশিংগী মনুংদা লম্বীগী খুদোংথিবনা মী হাৎপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবশিংদি (মথং মনাও নাইনা)-দিল্লি সহর, চেন্নাই, জয়পুর , বেঙ্গলুরু, মুম্বাই , কানপুর, লক্ষনৌ, আগ্রা, হায়দ্রবাদ অমসুং পুনে নচিংবনি।

অদুগা মালেমগী মনুংদা লম্বীগী খুদোংথিবনা মী হাৎপা খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক (নেসন) শিংদি মথং মনাও নাইনা-ইন্দিয়া, চাইনা, ব্রাজিল, য়ু এস এ, ইন্দোনেসিয়া, রুসিয়া, ইরান, মেক্সিকো, খা অফ্রিকা অমসুং থাইলেন্দনি। হৌখিবা চহি ফাইনান্সিয়েল ইয়র ২০১২-২০১৩ দা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকখিবা থৌদোক্কী মরীদা 'থার্ড পার্টি' ক্লেম তৌরকখিবা মতুংইন্না 'ইন্দিয়া ইন্সুরেন্স ইন্দষ্ট্রি' না লুপা ক্রোর ৯১৭৭.৩২ পীবা তাখি।

অসিগুম্বা লম্বীগী খুদোংথিবশিং অসিগী হৌরকফম মরুদি অয়াম্বনা মীওইবা মশানা থোকহনজবা অশোয়বনি। গারী য়াঙনা থৌবা , লম্বী ফত্তবা, য়ু থক্লগা থৌবা, দ্রাইভরনা চৎন-কাঙলোন ইন্দবা, রেড লাইট লাল্লগা থৌবা , সিট বেল্ট অমসুং হেলমেটনচিংবা সেফটি গিয়ার শিজিন্নদবা, য়েৎ-ওই চুম্না থৌদবা অমসুং গারী হেনগৎপদা লান্না হেনগৎপা অসিনচিংবনা মরুওইনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকহল্লি। দ্রাইভরনা চৎন-কাঙলোন ইন্দবগী মনুংচন্না গারী থৌনা থৌনা মোবাইল ফোন শিজিন্নবা অসি মরুওইবা অশোয়বনি। ফোন্দা ৱারী শাবনা কোক (ব্রেন) গী অচৌবা শরুকশিং শিজিন্নে অদুগা গারী থৌবনা কোক্কী শরুক মচা অমত্তমক শিজিন্নে। মতম অমত্তদা কোক্কী শরুকশিং তংখায়-মশুং তানা ওন্থোকপগী ফিরেপ লৌবগী অমসুং থবক ওন্থোকপগী মতম অমসুং মতিক মঙম অদু অকায়বা থোকহল্লি। মসিনা খুদোংথিবগী লম্বীদা শোয়দনা পুশিল্লি।

হায়রিবা লম্বীগী খুদোংথিবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং হায়বদি 'রোড সেফটি রুল' অমসুং রোড সেফটি পোলিসি' ময়াম অমা শেন্নবসু খুদোংথিবা থোকপগী চাং হন্থবা লৈত্রি। সেফটি টিপ ময়াম অমা পীরবসু অমসুং স্কুল কনক্লেব, রোড সেফটি এৱার্নেস, সেফটি ট্রেনিং সিষ্টেম, সেফটি এদুকেসন, এদুকেসন দ্রাইব কয়া পীরবসু ফংবা য়াবা কান্নবা ফংদ্রি। অদুবু অসিগুম্বা থৌশিল থৌওংশিং শিজিন্নরিবা নেদরলেন্দগুম্বা লৈবাক্তদি লম্বীগী খুদোংথিবা অমসুং মী শিবগী চাং হন্থরক্লে হায়না ক্লেম তৌবা লৈরি। মসিনা তাকপদি, খুদোংথিবা হন্থহনবগী থৌরাংশিং অসিবু মতিক চানা অমসুং কাঙলোন চুম্না তৌরবদি খুদোংথিবা থোকপগী ৱাখৈরোল ওইহন্বা য়াই হায়বসিনি। মতাংসিদা থোইদোক্লা শীংথাবা য়াবদি 'সেভ লাইফ ফাউন্দেসন' (Save LIFE Foundation) না অনৌবা 'রোড সেফটি লো' পুথোকখিবা অসিনি। ফাউন্দেসন অসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১০ দগী লাকপা মীওই ৯০ হেন্বগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী তান্ন-তিক্লবগী মীফমশিং পাঙথোকমিন্নদুনা কমপ্রিহেন্সিব রোড সেফটি লো পুথোক্লবা অমসুং চৎন-পথাপ শেন্বগী মথৌ তারিবা মরুওইবা ৱাফম ১০ গী ৱাখৈরোল পীনবা রিকোম্মেন্দেসন অমা হৌখিবা ইং ২০১৩ এপ্রিলদা পুথোকখিবা লৈখ্রে। দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলোর অমসুং চেন্নাইদা ফমখিবা মীফমশিং অসিনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী সেক্রেটরিশিং, সেনিয়র পুলিস ওফিসারশিং, ৱার্ল্ড বেঙ্ক, এমবার্ক, আই আই টি, আই আই এস সি নচিংবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী অখঙ-অহৈশিং , সেনিয়র উকিলশিং, ডাক্তরশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রি অমদি সিভিল সোসাইটি লুচিংবশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা রিকোম্মেন্দেসন পুথোকহনখিবনি। অহান্বা রিকম্মেন্দেসনগী ৱাফমদি ইন্দিয়ানা কমপ্রিহেন্সিব রোড সেফটি লো মথৌ তারে হায়বসিনি। মীফম অদুনা হৌজিক চৎনরিবা 'মোটোর ভেহিকলস এক্ট, ১৯৮৮' অসি চৎনহন্দনবা অমসুং লম্বীদা খোঙনা চৎলিবা মীশিং, অঙাংশিং অমসুং সাইকল থৌবশিং য়াওনা লম্বী চৎলিবশিংগী ঙাক-শেন্নবা অমদি মদুগা মরী লৈননা চৎন-কাঙলোন শেম্নবগী অনৌবা কমপ্রিহেন্সিব লো শেমদুনা চৎনহন্নবা রিকম্মেন্দ তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ সেফটি বিল ২০১৪ ওইরি।

অদুবু লম্বীগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্লবদা নত্তনা কার্বেবান দাই ওক্সাইদনচিংবা হু চেন্বা নুংশিৎতগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা ইঞ্জিন পান্বা গারী শিজিন্নদবা সহরশিং অমসুং ঈথৎশিং পুথোক্লরক্লি। ভিয়েন্না, বেলজিয়ম, বুলগেরিয়া, ক্রোয়েসিয়া, দেনমার্ক, ফিনলেন্দ, ফ্রান্স, জর্মনি, গ্রিস, হঙ্গেরি, ইটালি, নেদরলেন্দ, পোলেণ্ড, পোর্টুগাল, রুসিয়া, সার্বিয়া, স্পেন, স্বিদেন, স্বিটজরলেন্দ, য়ু কে, কনাদা, মেক্সিকো, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ওসিনিয়া, কেরিবিয়ান, এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাক খরনা অসিগুম্বা ইঞ্জিনগী গারী চেলহন্দবা সহরশিং অমদি ঈথৎশিং য়োকখৎনরি।

সন্দিয়াগী হরিয়ানা ষ্টেটকী গুরগাউনদসু লৈবাকপোকপা নুমিৎ খুদিংগী কার চেন্দবা নুমিৎ ওইহন্দুনা চৎথোক-চৎশিন অমদি পোৎ পুথোক-পুশিন (ট্রান্সপোর্ট) কী অতোপ্পা পান্বৈশিং শিজিন্নহন্নবাপুক্লিং থৌগৎখ্রে , হরিয়ানাগী অর্বান দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি, গুরগাউন ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, গুরগাউন পুলিস অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা পুন্না ফম্মিন্নরগা পায়খৎখিবা থৌরাং অসি শীংথানিঙাই ওইরি। থৌওং অসিনা লম্বীগী খুদোংথিবা হন্থহন্বদা নত্তনা হু চেনবা গ্যাস থোরকপা হন্থহল্লি। মী অমনা নোংমদা থোকহন্বগী চাংদা গ্রিন হাউস গ্যাস কেজি ২.৬ কী চাং হন্থহল্লি হায়বসিনি।

অমরোমদসু, মী চিন্বা অমদি লম্বীগী খুদোংথিবা অমসুং ফত্তবা নুংশিৎ পুথোকপদগী হন্থহনবা থৌরাং অমদি 'পব্লিক ট্রান্সপোর্ট' শিজিন্নবা অসিনি। অকক্লবা লম্বীশিংদা ট্রেন, হি বসনচিংবা চাং নাইনা চেলহন্দুনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌনবনি। মসিনা লম্বীগী খুদোংথীবদগী হন্থহনবদা নত্তনা শেলথুমগী ফিভম, ইনর্জি, অকোয়বগী ফিভম অমসুং পুন্সি মহিংগী হেন্না ফবা মগুন ফংহল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি পব্লিক ট্রান্সপোর্টনা শেন্মিৎলোন, অকোয়বগী ফিভম ,ইনর্জি অমসুং হেন্না ফগৎপা পুন্সিরোল পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। য়ু এস কী খুন্নাই, লন্নাই মীওইশিং, লল্লোন ঈতিক তৌবশিং অমসুং অতৈ মীওই কাঙলুপ (কম্ম্যুনিটি) শিংনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট পাম্না শিজিন্নরি। মখোইনা শিজিন্নরিবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট মখলশিংদি-বস, ট্রোল্লি, লাইট রেল, সবৱে, কম্প্যুটর ট্রেন, ষ্ট্রিট করা, কেবল কার, ভান পুল সার্ভিস , সেনিয়র সিটিজনশিং অমসুং নাম্ম শোয়রবশিংগীদমক পেরা ত্রান্সিট সার্ভিস, ফেরি ৱাটর টেক্সি, মোনোরেল অমসুং ট্রামৱে অসিনচিংবনি। য়ু এস দা পব্লিক ট্রান্সপোর্টনা খ্বাইদগী চাউরবা অমসুং কান্নরবা সেক্তর ওইরি। মসিগী কান্নবশিংগী মনুংদা লম্বী চিনবা কোকহল্লি, পন্থুং য়ৌবদা মতম চানা য়ৌই, মসিনা পুক্লিং হকচাং হেন্না ফগৎহল্লি, থাউ য়াম্না কল্লি, হু চেনবা নুংশিৎতগী কল্লি, চাদিং হন্থহল্লি।

ইন্দিয়াদদি ট্রান্সপোর্ট কাঙলোন অসি সাইকল রিক্সো, ট্রাম, ওটো রিক্সো, টেক্সি,বস , টেম্পো, লোকেল ট্রেন অমসুং মেট্রোনা ওইরি। ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা ওইরি। ইন্দিয়াগী পব্লিক ট্রান্সপোট অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না শিজিন্নবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। ইন্দিয়াগী ওটোমোবিল ইন্দষ্ট্রিনা চহিদা গারী লাক্ষ ৪৬ হেন্না পুথোক্তুনা তুংদা হেন্না চাউনা পুথোকপগী ওইথোকপা লৈরবসু, চৎথোক-চৎশিন পান্নবদি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ওইনা অয়াম্বনা পাম্নে। ইন্দিয়াগী সহর ময়ামগী মনুংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকা মরী লৈননা খ্বাইদগী হেন্না চাউখৎলক্লিবা সহরদি কোলকতানা ওইরি। ফ্যুচর ওফ অর্বান মোবিলিটি ২.০ ' হায়না মিংথোন্দুনা মালেমগী থাক্তা সহর ৮৪ খনগৎপদা কোলকতানা ৩১ শুবদা লৈদুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা অহান্বা ওইরি। মসিদা মুম্বাই (৪১) না অনিশুবা, চেনাই (৫৪) অহুমশুবা, হায়দ্রবাদ (৫৫), বেঙ্গলোর (৬৫) , দিল্লি (৭৯) না তরুকশুবা ওইরি। মালেমগী অমসুং অফবা সহরশিংদি হোংকোং , ষ্টোকহোলমস অমসুং আমষ্টর্দমনা ওইরি। খ্বাইদগী ফত্তবনাবাগদাদ, হানোয়, আটলান্টানা ওইরি। কোলকতানা মালেমগী চাওখৎলবা সহর ন্যু য়োর্ক (৩৫), টোরোন্টো (৩৮) দগী পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী হিরমদা মাঙজিন থংনা চৎলি।

অদুবু মণিপুরগী ওইনদি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট লোকখাদা ডন্থখ্রে, মসিবু কন্বা ঙম্বগী অনকপদা মমি তমদ্রি। লম্বী চিন্বগী অৱাবা কোকহন্নবগী রিং রোড অমসুং মেনেজমেন্ট মঙলান ওইরি। লুহোংবগী প্রোসেসন ফাওবা শীল্লাঙবা হৈত্রি। লম্বী চৎপশিং কাঙলোন চুম্না চৎহনবাঙমদ্রি। স্কুল কনক্লেব, ট্রেনিং,এৱার্নেস, এদুকেসন মতিক চানা পীবা ঙমদ্রি। হিরমসিদা থম্মোই শেংবা মতিক চাবা থৌশিল থৌওং মথৌ তারি।

খোইরেনগী মপাও

# মণিপুর পুম্বা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইরম্লবদি

আই এল পি চৎনহনগদবনি হায়বসি লম্বী লমজাও, হোটেল দুকান খক্তদা নত্তনা হৌজিক্তি য়ুমগী মাঙ্গোল ফাওবা য়ৌরে। মীরমগী মী ময়াম্না মশিং অসুম হেনগৎলক্পদগী পুক্লিংদা নুংঙাইতবা ফাওরক্পদগী হন্দক্তি মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা আই এল পি গী ঈহৌ কনখৎলক্লে। নিয়ম কায়না চংশিল্লকপা হায়বসি য়েংবদসু নুংঙাইতে। থবক খুদিংমক অপিকপদগী হৌই হায়বনিনা আই এল পি সু মশিগা মান্নবা মচা ওইবা ইমুংগী থবক্তগী হৌবা য়াই। ময়ুম পানখ্রবা নিঙোলনা মপুরোইবগী ময়ুমদুদা নুংঙাইফম খঙদবদৌনা মপামদা মচা পুদুনা য়াম্না তোইনা লাকপসি চৎনবিগী মিৎয়েংদা আইন কায়বা মওংনি। মসি থিংনবা ইমুংদসু ময়ুম পানখ্রবা নিঙোলনা মপামদা মরম চাদনা তোয়না লাকপগী মতাংদা আই এল পি গুম্বা অমা চৎনহনবা য়াই। ময়ুম পানখ্রবা নিঙোলনা মচা পুরগা মপাম্দা চয়োল অমগী মনুংদা মরিরক্তুম্বা লাক্তুনা মাঙ্গোলদা ময়া কাখৎতুনা হৌনা-হৌনা নোকপসি খর ৱাখল তাবা মবুং মৌপ্বাশিংনা তাবদা নুংশিয়ু হায়বা য়াদে। মপামগী মাঙ্গোলদা তোইনা নোক্লরবা ইচন-ইচেদু মাগী মপুরোইবগী য়ুমদা মৌ ওইবনিনা মনেম-মকুশিংনা তাহৌদ্রবসু নোংমা ফাদোক মমৌগী হৈনবী খুৎনোত্তু চাকখুম মাংদা মকুবোক্কী চাক থাংদোরকপদা নোক্লক্লবদি মরম ইরৈ লৈতনা মপামদা চম্ফুৎ ফুৎপদা চিনি খর থুম্মী হায়দুনা মপাম চৎকনবা মৌওইবশিংসু আই এল পি অমা ইমুংদা শেম্বা য়াই। ঐখোয় ইমুংদসু আই এল পি চৎনদবনিনা ইচন নুপী অমা মচা পুদুনা য়াম্না তোইনা লাকই। মচা খক্তা নত্তনা মপুরোইবসু পুদুনা লাকই। মখোয় লাক্লে হায়বসি থোঙ্গাল য়ৌরকপদা মখোল তাই। সুমাং য়ৌরত্তুনা মাঙ্গোল কাখৎলমদাইদদি য়ুমদা লৈবা ঐখোয় ইকায়দুনা লোৎলগা মখোয়না হরাওদুনা নোকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী কেনা হৌজখিবা ইচননিনা মানা চেনজদুনা শান্নখিবা মাঙ্গোলদা হায়নিং হায়নিংবা ৱাহৈ হায়রকপদা ইমাগা বাজিগদি অদুম হরাওই। ইচনগী ইচম চমজবা, কোইজদবা ৱাহৈদুদা ইচননুপীগী মচাদুনা মরক থৎনবা কপলকপদা ইমাগা বাজিগা নত্তবা অতৈ থম্মোয় ময়ামদি হাক্কচবা পোকই। হন্দক মরম চাদনা মণিপুরদা চংলকপা মীরমগী মী থিংনবা আই এল পিগী ঈহৌ অমা লাক্লিঙৈসিদা ঐসু বাজিগা ইমাগদা ঐখোয় ইমুংদা মরম চাদনা ময়ুম পানখ্রবা নিঙোলনা তোইনা তোইনা চংলকপসি থিংনবা ইমুংগী আই এল পি অমা চৎনহৌনবা তকশিন্দবা য়াদ্রে। ঐগী ৱাসি হৌদোক্লুবদা ইয়াম্বা অমখক্লা হায়রকপবু - ময়ুম পানখ্রবা নিঙোলনা মচা মশু পুদুনা মরম ইরৈ লৈতনা মপামদা লাকপা থিংবগী শক্তি শিজিনগদৌরিবসি নখোয়গী ইমাগা বাজিগনা ওইগদৌরিবনি। নংনা ফনা য়াম্না শাওনিংলবসু নঙোন্দা শক্তি লৈতবনিনা নিঙোল ওইবা নচন নুপীনা চংলকপদু ইমা বাজিনা য়াবনিনা নথন্তা অৱাবা খাংগদবনি। নংনা কন্না নিয়ম অমা শেমদবা য়াদে হায়দুনা ইমা বাজিদা হায়রুবদা নচন নুপীনা থা অমগী মনুংদা নোংমা মপামদা মচাগা লোয়ননা থোইদোক্লা মপুরোইবা ফাওবা য়াওনা লাকপদা কায়দে হায়বা নিয়ম অমা শেম্লকপদা হরাওরুবা নংসি নচননুপীদুনা কৈদৌঙৈ হনগদগে হায়বা খংদবদগী থাদুমা চুপ্না লৈরকপদা ইমুংগী আই এল পি চৎননবা হোৎনরুবদু হোৎনদ্রিঙৈগা ইমান মান্নগনি। মণিপুরদসু আই এল পি চৎনদ্রিঙৈদা চংলক্লিবা মীরমগী মীওইশিং অসি আই এল পিনা থিংগদ্র খল্লুরগা আই এল পি পায়বা মীরম মচা লিশিং লিশিং নুমিৎ খুদিংগী চংলক্লবদি অদুনসু হেন্না ৱাখল নুংঙাইরোইদৌরিবনি। মসি ওইরবসু চৎনবিনা অথিংবা অমা লৈ হায়বা খংদবা ময়ুম পানখ্রবা ইচননা মাঙ্গোন্দা হৌনা নোকপদা নুংশিবা খোঞ্জেল ওইনা তাও হায়বদি ঙম্লোই। ইচননুপীনা পুরকপা ক্বা জর্দা মতপ অমা চারগা নোকফেৎ তৌরিবা ঐসি ইশানা ক্বা অমা লৈরগা চাবা ঙম্বা মী ওইবনা ইমুংগী আই এল পি ওইগনি। ঐখোয়গী মণিপুরদসু আই এল পি চৎনহন্নবা হোৎনরুবগী হন্থরকপদা ইশাগী ইঙ্খোলদা ইমুংগী ইনশাং থোংনবা মতম মতমগী মানা মশিং খর হৌহনবা য়াই। করিগুম্বা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা চীংগী লমদসু টেক্স লৌবা য়াহল্লম্লবদি লমগী ঈরাংদি লৈরমদবসু য়াই অমসুং আই এল পি গী ঈশু অসিসু লৈরম্লোইদবনি খল্লি। আই এল পিগী ঈহৌদা লৈবাক পুম্বা মচি মচি খুদিংমক্তা হনবা লৈতনা হোৎনরিবা অসিগী থৌনা অসি আই এল পি চৎনরবা মতুংদা ইঙ্খোল-শংবল লোমদা থাদরবদি আই এল পিগী মশক হেন্না হেন্না ফজবা হেনগনি। মসিবু ঙম্লবদি কোবী অমা পুরগা মচা পোদুনা নিঙোলনা মপামদা তোইনা চৎপগীসু-লাকপগীসু থিংলুবা তৌদনা তোকখিবা য়াই।